# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-48

**(Energy and sustainable development goal)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) মোমোন - য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসার (২) মনিখোম্বা - এগ্রিকলচরিষ্ট
(৩) ৰাংলেনথোইবা - রিছার্চ স্কোলর (মনিখোম্বগী মনাওনুপা)

নুপীঃ- (১) লৈমতোন - মোমোনগী নুপী
(২) চীংলেম্বী - মোমোনগী মচলনুপী

(মতম:- অয়ুক, মফম: মোমোনগী য়ুম, ম্যুজিক কন্না খোংলগা এক্সরসাইজ তৌবগী মওং)

লৈমতোন :- চীংলেম্বী ! কৈদৌরগে নঙবো, নঙগী ম্যুজিকতু কনমল্লে খরা লৈথৌ হায়বনে, নাগসে লোয়না পংদৌরে হায়বা... অয়ুক ঙন্তাসিদা ইংনা চীক্লা লাই ঙহাক্তং মেন তানা খোইরম্বগসে ফংদরে, অঙাং নঙ খরদি হেনমনলবনিকো, নবুং ৰাঙ্কিং চৎখিবদু হনজিনলকপা মপা চান্নরদি লাইরিক তৌদে হায়দুনা ইশৌ লাংলরনি, লোইশিনলো হায়বনি নঙগী চোঙ ফনবদো।

চীংলেম্বী :- (এক্সরসাইজ তৌনা তৌনা ঙাংবা) ইনম্মা ! ঐনা তৌরিবসে হকচাং শাজেন তৌরিবনি হকচাং ফৎত্রবদি লাইরিক ফনা হৈদুনসু কান্নদে হায়বসে ঐখোয় তাচৌসু খংলিবনি অদুবু ঙাংদোইদা তৌ লৈ, খরসু ঐনা তৌবা থবকসে ইনম্মগা তাচৌগনা খরসু য়েংশিনজনিঙবা হায়দুনি।

লৈমতোন :- য়েংশিনবগী ৱা নৎতেনে, নখোয় তাচৌনা নঙসে লাইরিক লাইশুদা মীথোয় মীহেনবী অমা ওইহন্দুনা মীয়াম্না শঙখঙনরবী নুপী সাইন্টিষ্ট অমা ওইহনবা হায়বসে নখোয় তাচৌগী মঙলাননি, অদুবু নঙদি ঙহাক ঙহাক্কী কঙাওনবা ৰাখলশিংনা নঙবু মায়কৈ অমদা হুমদুনা চৎপগুম ইনম্মগী থম্মোয়দা ফাওই।

চীংলেম্বী :- অস ! ঐখোয় ইন্নমসে ঙসিদি ৱা য়াম ঙাংদৌরি, ম্যুজিকসে মুৎতা মুথৎচরগে (ম্যুজিক মুথৎপা), ঐগী ব্রেকফাষ্টতি কদায়নো ইনম্মা।

লৈমতোন :- ইহে, নঙ ঙাংনরিঙৈদা ব্রেকফাষ্ট শেম্বগা লোয়না কাওরে, ইনম্মা থুনা শেল্লক্কে ঙহাক্তং ঙাইরম্মো।

মোমোন :- (ৰাঙ্কিং হঞ্জিল্লকপা) লৈমতোন ! নঙবু কদায়দা লৈগে ঐনা লৈরক্লিবা মনামশিংসে অমুক্তা লৌশিনলরো লাওনে।

চীংলেম্বী :- তাচৌ ইনম্মদি ব্রেকফাষ্ট শেল্লুনি হায়না কিচ্চনদা চঙখিয়ে, করি করিনো তাচৌনা লৈরক্লিবশিং অসিবো।

মোমোন :- হৱায়থরাক, হৱায়মুবী, মরোয়মপাং করি করিনো পংলৈদা লৈশিনলক্লবনি তাচৌনা ৱাঙ্কিং হনলকপদা লম্বী মতাইদা পোৎয়োনবীশিংনা য়োনলম্বশিং অদু অউ-অউবা হেক্তা ।

চীংলেম্বী :- এ! তাচৌ য়োংচাক মরুশিদি তোংঙেহে, য়াম ফজৈয়ে সিদি, লুপা কয়াগীনোশিবো।

মোমোন :- উম, ফজবনি, ফজমনবদুদা পৈশাগা অমতা পাম্মুদখৈ লৈরক্লিবনি, লুপা চনিগী অহুমনি, লুপা চামঙাগীনি য়োংচাক্তু, হৱায়থরাক্তুনা কেজিদা লূপা ১৫০, কোবীলৈদুনা কেজিদা লুপা ৮০নি, মনামশিংগী মমলসিদি হৌজিক্তি অরেপ্পা লৈতরেদা, নোংমা নোংমগী তাংবা হেনগৎলক্লি, খরা লৈরদি লৈদুনা চাববু ঙল্লক্লরোয়।

লৈমতোন :- ইবেম্মা চীংলেম্বী, সে নঙগী শঙ্গোমগা য়েরুমগা ব্রেদকা লৈরেসে, মোয় তাচৌগীসু চাগা বিস্ক্যুইটকা লৈজরে।

মোমোন :- ইহে ঐদি ৱা অমা হায়গে তৌরগা অদুম হায়বা কাওরেদনা।

লৈমতোন :- করি ৱানো মোয়তাচৌ, কাওরে হায়রিদুবো, হন্দক অথুবদা মপানলমদা কনফরেন্স য়াওবা চৎকদৌবা লৈরবদি ঐসু হন্দক্তি চৎপা খরা য়াওগে।

মোমোন :- (নোকপা) কনফরেন্স চৎপগী ৱা নৎতেনে, কদোমদগী পুশিনলক্লিবা ৱাফমনো লৈমতোন নঙগীসিবু, ঐবু মমাং চহিদা পুনেদা সেমিনার য়াওবা চৎপদুদসু নঙবু পুবদাইনে, নঙসিসু মীকুপ পুংজা খুদিং ঐগী ইতুং কোইন ইন্দুনা লৈরগে হায়রিবরো।

চীংলেম্বী :- ঐখোয় ইনম্মসে খরসু চৎচনিংঙবা হায়দুনি, করি ৱানো তাচৌনা হায়গে তৌরগা কাওরে হায়রিদুবো?

মোমোন :- হৌজিকসে ঐগী ইখাদা রিছার্চ তৌবা ঐগী য়াম্না নুংশিবা ষ্টুদেন্ট অমা ঐখোয়দা লাক্কদবনি।

লৈমতোন :- কনানোনে মোয় তাচৌগী য়াম্না নুংশিবা ষ্টুদেন্ট হায়রিসিবো।

মোমোন :- আ অরাপ্পা খুঙ্গংদগীনি, মমিংনা ৱাংলেনথোইবা কৌই, মমা-মপাসু কনামতা লৈজদরে, মাগীনি হায়বদা ময়াম্বা অমখক লৈ, ময়াম্বা অদুগী মমীংনা মনিখোম্বা কৌই, মমিং লৈরবা এগ্রিকলচরিষ্ট অমনি, ওর্গানিক ফার্মিং তৌদুনা মখল-মখা কয়াগী মনা-মশিং পুথোকপদা মমীং চৎলিবনি।

চীংলেন্বী :- তাচৌগী ষ্টুদেন্টদুদি ঐখোয়দা করি তৌবা লাক্কদৌরিবনো, তাচৌগী ঙসিগী মওংসে কৈনোন্মা ইতৌ তৌইকো, ঐখোয়দা লৈহনগেকা হায়রক্কদবা মাল্লি।

মোমোন :- ইচলনা নীংলিবদুমক চুল্লবনি, ৱাংলেনথোইবদু ঙসিদগী ঐখোয়দা থল্লগদবনি।

লৈমতোন :- কৈনো মোয় তাচৌনা হায়বীরিবদুবো, ছাত্রবু নুংশি হায়দুনা য়ুমদা হেক্তা লৈহনবা হায়বসিবু অচুম্বা খোঙথাংলনে।

চীংলেন্বী :- ঐদি য়ারোয় হায়রিবসিনি, য়ুমসিদা মীতোপ অমতা লৈহনবা য়ারোই হায়রিসিনিকো।

মনিখোম্বা :- (মপান্দগী কৌরকপা) সার... সার মোমোনবু লৈবীদবরা... সার ঐখোয় লাকচরে।

চীংলেন্বী :- হায়রিমক্তদা লাকপু লাক্লমাল্লে ঐদি য়াম তনলিকো তাচৌ লৈহনবা য়ারোয় হায়রিসিনিকো, প্রপ প্রপ হলহনখো।

মোমোন :- হায় কৈনোনে মসি অঙাংসিবো তপ্পা ঙাংঙুনে মী তাখ্রগা নুংঙায়রোয়নে, হে নোয় ঐনা তৌবা থবক্তা ৱা অমতা ঙাংলকপা য়ারোইকো।

লৈমতোন :- খংজদ্রে খংজদ্রে ঐদি করিমতা খংজদ্রে নোয় নোয়না থোকপা অদুম তৌবীরো ঐদি ৱাগা অমতা ঙাংজররোয়।

ৱাংলেনথোইবা:- তাচৌ ! ঐখোয় সারদুবু লৈতবজাৎলা নত্রগা ঐখোয়না কৌবসিবু তাদ্রবজাৎলা শুংথোক থোরক্তে, অমুক কৌরগা য়েংগে ঐ ... সার... সার...।

মোমোন :- (থোরকপা) নোয় লাকঅবরা, লাকও লাকও চংঙকও লাকও, ৱাংলেনথোইবা নঙগী বেগতু সোমগী কাসিদা ওইনা পুশিল্লো।

ৱাংলেনথোইবা:- অহোয় সার, তাচৌ ঐখোয়না পুরকপা ঐখোয়গী ফার্মদা হৌবা মনা-মশিংশিং অসি অমুক্তা পুশিনমিন্নসি।

মনিখোম্বা :- হোয় হোয় ঐ পুশিনলক্লগে, সার মনা-মশিং বোরাসি কদোমদা থমজৌগে।

মোমোন :- য়ারে য়ারে স্বাইদা হেক্তা থম্বীরো, ঐ পুশিনজরগে, করি করি মনা-মশিংনো অসুক য়াম্না পুবিরক্লিসিবো?

মনিখোম্বা :- সার, ঐগী ফার্মদা মনা-মশিং মখল অয়াম্বা শুনা থাজৈ, কোবী, হঙ্গাম, হৱায়থরাক, হৱাইমুবী মতম মতমগা চান্নরবা মনা-মশিংশিং ঐগীদা হৌবশিংদু সারহোয় পীজনিংদুনা পুজরকপনি।

মোমোন :- লৈমতোন ! চা খরা লোনলকউদনা মনিখোম্বগা ৱাংলেনথোইবগা পীথক্লবা।

ৱাংলেনথোইবা:- সার ঐখোয়গী ওইরদি য়াজরনি, ঐখোয় তাচৌগা ঐগদি চা থকচদে।

মোমোন :- মনিখোম্বা ! ঐনা তাবদদি নখোয়গী খুন অসে সহরদগী লাপ্পা লৈজরবসু অৱাৎ-অপা লৈতবা নুংঙাই য়াইফনবা পানবা খুল অমনি হায়না তায়, ঐসু অমুক্তং লাক্কে খন্না খন্না অদুম তাঞ্জা অমা ইচা হেক্তা চাদে।

মনিখোম্বা :- অচুম্বনি সার, ঐখোয়গী খুনগী মীওইশিং অসি শুবা নোম্বা কল্লি, পুকচেল শেংঙি, অমগা অমগা মতেং পাংনৈ, মহৌশাগী খুৎশেমবু য়াম্না নুংশিনা খল্লি, খুন অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা চীং, পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং চেকশিন্না ঙাক শেল্লি, মীপুম খুদিংমক শা-ঙাশিংবু য়াম্না নুংশিনা লুনা লোয়নৈ, হৈ-রা, উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিংগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা মীপুম খুদিং থবক কন্না শু নোম্মী। ঐখোয়গী খুনগী পোৎথোক্না ঐখোয় খুনগী মীওইশিংগী চাবা কোন্নবদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মীওই কয়াবুসু চাবা কোন্ননবা পোৎথোক পুথোক্লবা হোৎনজরি।

ৱাংলেনথোইবা:- সার, ঐখোয়গী খুন অসি মীশিং য়াম্না লৈজদ্রবসু মীওই খুদিংমক গ্যান তামীন্নদুনা কার্বোন পোজিটিব ভিলেজ অমা ওইহনবদা নৎতনা সস্তেনেবল দিবলপমেন্টকী পান্দমশিং মায়পাক্লা ফংহনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনজরি।

মোমোন :- য়াম্না ফৈ নখোয়না হোৎনরিবা থবকশিং অদু, ঐখোয় মীওইবশিংনা হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলশিং খক্তগী খন্দনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক খনবীদুনা মহৌশাগী পুক্কে-লনগৈশিং ময়েং তাদনবা হোৎনরিবা থবকশিং অদুগীদমক ঐনা নখোয়গী খুনবু কল্লকচৈ অদো ৱাংলেনথোইবা সস্তেনেবল দিবলপমেন্ট গোল (এস.দি.জি.) ১৭কী মনুংদা তরেৎশুবা গোল ওইরিবা এফোর্দেবল এন্দ ক্লিন ইনর্জি, মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা অফবা অশেংবা ইনর্জি মখলশিং ফংহনবা, ফোশিল ফ্যুলশিং শিজিন্নদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহন্দুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবসিদগী ঙাকথোক্লবা রিনিউএবল ইনর্জি ফংহনবগী পান্দমদা নখোয়গী খুনগী ওইনদি গোর্ভনমেন্টনা করি করি থবক্তি লৌখৎলবগে।

ৱাংলেনথোইবা:- সার, হৌজিক ফাওবগীদি গোভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি থবক লৌখৎলক্ত্রি অদুবু ঐখোয় খুনগী এন.জি.ও.না য়ুমথোং খুদিংদা সোলর ফোটোভোলটেক প্লেটশিং খিন্দুনা নুমিৎকী মৈশাদগী ইনর্জি লৌদুনা য়ুমথোং খুদিংদা মৈ ফংহল্লি।

মোমোন :- নখোয় খুনগী থবক থৌরমশিংগী মরমদা তারুবদা ঐ ঙসিদি পুক্নিংদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই, মনিখোম্বা ! ঐ য়াম থুনা নোয়গী খুনদা লাকতবা য়াদরে, নখোয় খুনগী তমজনিংঙাই ওইরবা থবকশিং অসি মমুৎ তানা নৈনদুনা মালেমগী মীয়াম পুম্বদা খংহন্নবা সর্ভে ৱার্ক অমা পায়খৎতবা য়াদরে।

মনিখোম্বা :- সার শোয়দনা লাকপীয়ু, সার হোয়গুম্বা লৈবাক্লা শকখঙনরবা ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট অমনা ঐখোয়গী খুনগী মরমদা নৈনবীরবদি ঐখোয়গীদি লাইবক য়াম্না ফবনি। অদো সার ঐগী ইনাওনুপা ৱাংলেনথোইবসে ঙসিদগী সারগী নফমদা শীন্নজরবনি, মাগী অফা-ফৎতা খুদিংমক সারনা য়েংশিনবীয়ু, সারগুম্না মহাকপুসু অফাওবা ইনভাইরোনন্টমেন্টলিষ্ট অমা ওইহনবীয়ু, মাগী রিছার্চ ৱার্কসে মমায় পাক্লবা সারনা লমজীংবীয়ুকো।

মোমোন :- মনিখোম্বা ! নঙ করিমতা ৰাক্নরগনু সিদগীদি ঐনা ৰাংলেনথোইবসে মীয়াম্না শকখঙনরবা সাইন্টিষ্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনরগদবনি, ৰাংলেনথোইবা য়াম্না ফবা ষ্টুদেন্ট অমনি, ঐনা মঙোন্দগী তুংগী আশা য়াম্না তৌরিবনি।

মনিখোম্বা :- অদুদি সার মতমসিসু থেংজিনলক্লে ঐ অমুক য়ৌজখ্রগে। ইবুংঙো, ৰাংলেনথোইবা নহাক সারনা হায়বা খুদিংমক ইনগদবনিকো, নথৌদা পুক্লিং চংগদবনিকো।

ৰাংলেনথোইবা:- হোয় তাচৌ, ঐ সারনা হায়বা খুদিংমক ইনজগনি, ঐ মীথোই-মীহেনবা অমা ওইদুনা ঐখোয় খুনগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনজগনি।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: মোমোনগী য়ুম, টি.ভি. হৌনা থাবগী মখোল)

চীংলেম্বী :- খঙনিদনা ঙসিদি মী অমা লাক্লগে, টি.ভি. সাউন্দসে কন্না লৈখৎকে মাগী লাইরিক পাবসে থুগাইগে।

লৈমতোন :- কৈদৌরগে ইবেম্মা টি.ভি.দুবু অদুক কন্না লৈখৎলিদুবো।

চীংলেম্বী :- (নোকপা) ইনম্মা তু য়েংঙুনে ঐখোয় তাচৌগী অচানবা ছাত্রসে, ঙসাই অয়ুক ঙন্তাদগী মাগী কাসিদা লাইরিক তৌরিবনি হায়দুনা মীনা ঙাংবা শকপগা অমতা নাচুংদখৈ লৈরিসে, টি.ভি. মখোলসি কন্না লৈখৎলবদি মা, মাগী কাসিদা ফমদুনা লাইরিক পাবা ঙম্বরা য়েংগে হায়বা।

লৈমতোন :- হায় নঙনে ঙাওশিন্নজনু মীঙোন্দা অদুম হায়না থওয় উশিংতবা করেম কথাইনবা হৌনদে, নোয় তাচৌনা নঙনা তৌরিবশিংদু খঙলক্লবদি শোয়দনা চৈবীরনি নঙবো, লৈথৌনে টি.ভি.সে খরা, নঙনা য়েংনিংবা প্রোগ্রামশিংদু নতোমতা য়েংঙু মীঙোন্দা দিষ্টর্ব তৌগনু।

চীংলেম্বী :- এ ! ইনম্মসু ঙরাংদা লাকপা মীতোপসিগী মীচং চংবা হৌরবরো, ঐবুদি মীতোপসিনা হেন্না নুংশিবগী ৰানিনে।

লৈমতোন :- কৈনোনে মসি অঙাংসিবো, ৰাংলেনথোইবনা নঙোন্দগী হেন্না নুংশি হায়বগী ৰা নৎতেনে, নঙনা তৌরিবদু ফৎতে চুমদে লাল্লি হায়বগী ৰানিনে, নঙনা মীঙোন্দা দিষ্টর্ব তৌনবনি হায়দুনা টি.ভি. সাউন্দ তপ তাবমখৈ লৈখৎলিবদু নঙসু য়াওনা অকোইবসিদা অনকপসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্তা নোইস পোল্লুসন থোকহন্দুনা হকশেলদা অকায়বা ওইহল্লিবনিনে, নঙগী নীংঙক নীংঙকপা তৌবগী হৈনবীদু খরা থাদোকচৌ নত্রদি নঙ তুংদা নীংঙমজরক্লোয়।

মোমোন :- কৈদৌরে অয়ুকসিদা ঙন্তানা য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া ঙাংনরিবদুবো, লৈকায় মমাংসিদা ইকায়দরো নখোয়বো, নশা-নশাগী নথৌ তৌগেদি হায়দ্রদনা।

লৈমতোন :- কৈসু নৎতেদা মোয় তাচৌ, ঐখোয় চীংলেন্বীদা মাগী টি.ভি. সে, সাউন্দ খরা লৈথৌ হায়রম্বনিদা।

চীংলেন্বী :- টি.ভি.সে মুৎতা মুৎথৎচরগে, ঐদা কদায়দনোম্মা চৎচখ্রগে (শাওরি শাওরি চৎখিবা)।

মোমোন :- ঙায়খোনে ইবেম্মা, চৎখিনুনে নঙবো, নঙবু লাইরিক ঙহাকসু মপাও কৈদৌবগে।

চীংলেন্বী :- ঐখোয়দি লাইরিক্কা অমতা পাজনিংদরে, পানিংবা মীশিং অদুম পাজহৌরসনু... (লাওরম্বা)।

মোমোন :- ওন্থোকপা অঙাংনিদকো, করম্বকান্দা মসিবু গ্যান তারকখিগদগে, ইমা-পাবুংনা পীশক পীক্লা হুন্দোকপীরম্বদগী ঐনা মাগী মমা-মপা শক্লা কেনা লুনা য়োল্লকপগী হৌনবা কেথোক্লে।

লৈমতোন :- হায়সু হায়বনি মোয় তাচৌ, ইবেম্মসে মতাং চানা খরা ৱারকহৌদ্রবদি ঐখোয় মীমাং ফম্বদি শোয়দ্রবনি।

মোমোন :- নঙসু অমুক পে পে ঙাংদুনা লৈরনু চাক-ঈশিং থোংদোক্লুরো, ঐ য়ুনিভর্সিটিদা খরা ঙন্না চৎকে, ৱাংলেনথোইবদুবু ব্রেক ফাষ্টকা পীজখ্রবরা?

লৈমতোন :- ঙসাইনা মাগী কাদা থম্বীরল্লবনি, চারল্লগনি, মাসু য়ুনিভর্সিটি চৎকদবা ওইরমগনি ঐ চাক প্রপ প্রপ অমুক্তা থোংলুখিগে।

মোমোন :- ৱাংলেনথোইবা! করিনোনে নঙনা অদুক থৱায় য়াওনা ইরিবদুবো?

ৱাংলেনথোইবা:- সার ! হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী থেংনরক্লিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনলক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়না সস্তেনেবল দিবলপমেন্ট গোলশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনদবা য়াদে হায়বসিগী মরমদা আর্টিকল অমখক সুম ইজরম্বনি সার।

মোমোন :- য়াম্না ফবা থবক্লি নঙনা তৌরিবদু, নখোয়গুম্বা নহাশিংনা মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী ঐখোয় মীওইবশিংনা অৱা-চৈথেং কয়া মায়য়োক্লরক্লিবা অসে মীপুম খুদিংমকপু গ্যান তাহন্দুনা মালেম অসিবু কনবদা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌরবতদা মালেম অসিবু কনবা ঙমগদৌরিবনি।

ৱাংলেনথোইবা:- য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি, সেপ্টেম্বর ২০১৫দা ফমখিবা মীফম অদুগী এজেন্দা “ট্রান্সফোর্মিং অৱর ৱার্ল্ড” হায়বদুগী মতুংইন্না মালেমগী লৈবাক ১৯৩না শরুক য়াদুনা পুথোকখিবা সস্তেনেবল দিবলপমেন্ট গোল ১৭ অমদি টার্গেত ১৬৯ ইং ২০৩০ ফাওবদা মায়পাক্লবা পাংথোক্তুনা মালেম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা চাকথুং, মহৈ-মশিং, লৈননবা য়ুম, অফবা হকশেল, সস্তেনেবল ইনর্জি ফংহনবা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংগীদমক্তসু মহৌশাগী পুক্নৈ লনগৈ কয়া মাংহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা পান্দম কয়া ফংননবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পুম্নমকসু থৱায় হকচাং য়াওনা পান্দমশিং অসি ফংননবা হোৎনবা য়াম্না দরকার ওই খনজৈ সার।

মোমোন :- অচুম্বনি, সস্তেনেবল দিবলপমেন্ট গোলগী তরেৎশুবা গোল ওইরিবা এফোর্দেবল এন্দ ক্লিন ইনর্জি মীপুম খুদিংদা ফংহন্দুনা এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোনগী চাং ৱাংনা থাদোরকপা ফোশিল ফ্যুলশিং অসিগী মহুৎসি পুরা শিনবা ঙম্লবদি গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরকপগী চাংসু হন্থরক্কদৌরিবনি।

ৱাংলেনথোইবা:- অচুম্বনি সার, ফোশিল ফ্যুল শিজিন্নবগী চাং অসি য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগী পান্বে কয়া পুথোক্কুনা হন্থহনবদি তঙাই ফদরে, মালেম অসিদা ইকোনোমিক গ্রোথ, সোসিয়েল ইক্বিটি অমদি ইনভাইরোনমেন্টল সস্তেনেবিলিটি থমগে হায়রবদি ইনর্জি সেক্তর অসি ফগৎহনবা দরকার ওই।

মোমোন :- ভারত সরকারনসু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা ইনর্জি মরাং কায়না ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি অদুবু ইং ২০১৬ ফাওবদদি ভারতকী মীওই মিলিয়ন ২০৭ রোম হেনবনা ইলেক্ট্রিক সপ্লাই মপুং ফানা ফংবা ঙমদরি। অদুবু হৌজিক্তি নেসনেল সোলর মীসনগী পান্দম মখাদা ভারতকী খুঙ্গংশিংদা রিনিউএবল ইনর্জি ফংহন্নবা থবক কয়া লৌখৎলে।

ৱাংলেনথোইবা:- সারগা সুমাইনা ৱারী-ৱাতাই তৌবসে পুক্নিং লৌশিং য়াম্না ওই।

মোমোন :- ইহে পুংসে আ য়ৌরম্ললেনে তৌরিসে, নঙসু য়ুনিভর্সিটি চৎনবা লোইশিনজরুরো, ঐসু অমুক্তা ইরু মায়থজরুখিগে।

-ম্যুজিক-

(মফম: লম্বী, মতম: নুমিদাংৱাইরম, গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মখোল)

চীংলেন্বী :- (গাড়ী ইনলগা চৎপা) অস! ওন্থোক্লা তাঞ্জা চাখিদরে হৌজিকপু টয়র পোখায়রকইসিবু ... স্বাইসিদসু গাড়ী ৱার্কশোপ অমতা লৈবা উদেনে তৌরিসে ঐবু কমায় তৌদোয়নো গাড়ীসে সুমাইনাসুম ইন্দুনা চৎলদি ঐদি শোয়দরে ৱান্থবা... খঙনবা মী অমতা লাকঅদি ফনিদা (শোনবা)... আদা মখোংনা চৎলিসিবু ঐখোয়দা লৈবা ৱাংলেনথোইবা হায়দু মানখরেদা, ঐবু কৌরগা য়েংলসিরা... হুম অমুক্তসু কৌনদে কমায় কৌদৌরিবা... হেক্তা কৌরগে ... (কৌবা হো তারিবো... হো তারিবো...।

ৱাংলেনথোইবা:- ঐবু কৌবীবরা, করি হায়বীগদবা।

চীংলেন্বী :- ঐগী গাড়ীসে টয়র পোকখাইখরে, ইনলগা চৎপসে য়াম্না ৱারে সে নঙ খরা ইনলকউ, নঙ থেংনবসে য়াম তান চারে, ঙসাইদগী কনানোমতা থেংনরদি ফনি খন খন্দুনা তন্না তন্না ইনলকইনি গাড়ীসে।

ৰাংলেনথোইবা:- অহোয় ইঞ্জগে য়ানি, ঐদি সোমগী য়ুমদা মতম খরা চংজফম লৌদুনা লৈজবা মীওইনি, ঐনা ঙমজবা খরদং তাঞ্জা চানা সোমগী মতেং পাংবা ঙমজবসে ঐগীদি লাইবক ফবনি (গাড়ী ইনবা)।

চীংলেম্বী :- অস ! বেব্যহারগা য়াম তৌশিনলক্কনু ঐ য়াম হৈনদে তাবা, নঙনা ইনগদৌবা গাড়ীদো অদুম ইল্লু (উশিৎতনা হায়বা)।

ৰাংলেনথোইবা:- (মতোমতা শোনবা) করি লৈশাবীনোসিবো, মাগী মশাসিদা নুপী অমা ওইবগী অথোৎপা অমেংবা হায়দু অমতা হেক য়াওদে।

চীংলেম্বী :- কৈনো নঙনা মুরুম মুরুম নতোমতা শোনলিদো, করি হায়রিনো, হে গাড়ী ইনবদো ৰারবো।

ৰাংলেনথোইবা:- ৰাদেদা অদো উম চীংলেম্বী... নঙোন্দগীদি ঐনা চহি অহুম মরিদি হল্লমগদবা মাল্লি অদুনা ঐঙোন্দা নঙনা নঙ হায়বসে তাবা য়াম নুংঙাইতে।

চীংলেম্বী :- নঙবুদি নঙ হায়দ্রদি করি হায়দৌরিবা অমুকসু হায়রে নঙ, তু আদা গাড়ী ৰার্কশোপ অমা লৈরিসে অসিদা গাড়ী টয়রদু ফজনা ফোৎলগা নঙ গাড়ীদু থৌরগা লাকও, ঐ ওটোসিদা তোংলগা য়ুম চৎলল্লগে। হায় ওটো অমুক্তা ঙায়খোও... ওটো... (কৌবা)... হায় নঙনে প্রপ প্রপ লাকচৌকো ঐ চৎলে চৎলে (ওটো থৌখিবগী মখোল)।

ৰাংলেনথোইবা:- ঐ ঙসিদি লাই ওক্লবগা চপ মান্নরে ওন্থোকপা হায়দুনি অরেম্বগী লম্বীসোমদা লাকচরুরে, (ফোন রিং লাকপা) এ ! ঐখোয় তাচৌনিনে ফোন তৌরকইসিদি... (ফোন রিসিপ্ত তৌবা)... তাচৌ...।

মনিখোম্বা :- ইবুংঙো নঙদি কৈদৌরে ফোনগা অমতা তৌরক্ত্রদি, নঙগী করি করি অৰাৎপা লৈগে হংগে হায়দুনা তাচৌনা ফোন তৌরকইনিনে।

ৰাংলেনথোইবা:- তাচৌ ! ঐগী অৰাৎপা করিসু লৈতে হৌজিকফাওবগীদি, সারনসু ঐগী অৰাৎ-অপা পুন্নমক য়েংশিনবীরি, ঐগী রিছার্চ ৰার্কসু ফজনা অদুম চৎথরি।

মনিখোম্বা :- নথৌদা নপুক্লিং চংগদবনিকো নঙবু নেসনেল সাইন্স কঙ্গ্রেসকী সেমিনারদা পেপর পাবা চৎকনি হায়গুম তৌবদুনা করম্বা কান্দা চৎকদৌরিবনো।

ৰাংলেনথোইবা:- সেমিনার পেপর থাজিন্নবা শেম্বদি লোইরে, চৎকদবদুদি থা খরা ৰাৎলিয়ে তাচৌ, ঐ হন্দক্তি য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ডকী ট্রাই তৌগেসু খল্লি।

মনিখোম্বা :- ফরে ফরে মায় পাক্লবা কন্না হোৎনগদবনি, অদো নঙবু হৌজিক করি তৌরিবগে।

ৰাংলেনথোইবা:- ঐখোয় সারগী মচলনুপী চীংলেম্বীগী গাড়ীদু টয়র পোকখাইরে হায়দুনা ফোৎকে তৌরিয়ে তাচৌ, গাড়ী ৰার্কশোপতনি ঐনা হৌজিক লৈরিসে।

মনিখোন্বা :- ফরে ফরে, অঙম অঙন্বা মতেং পাংনগদবনি, নখোয় সারহোয়গী নঙনা ঙন্বা থবক খুদিংমক তৌগদবনি, ইমুং-মনুং য়ানবা চৎলুকো। ইয়ান্বদি নঙোন্দা পাও নুংঙাইবা অমগা তমগে তৌরগা তন্বা কাওরেদনা।

ৰাংলেনথোইবা:- করি নুংঙাইবা পাওনো তাচৌ, য়াম তানিংঙে প্রপ প্রপ হায়রকও।

মনিখোন্বা :- ঐখোয় খুনদি রাইস মিল মতিক চানা লৈতবনিনা চেং তকপগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্লুরম্বদু হৌজিক্তি কোল্লনি, ঐখোয়গী এন.জি.ও.না সোলর ইনর্জিনা চলাইবা মিনি রাইস মিল মেছিন ৫০ চেনখিবদু থুংলরে, চেং তকপা হৌরবনিনে, ঐখোয় খুনসে সস্তেনেবল ভেল্লি হায়বদু ওইরক্কদৌরবনিনে।

ৰাংলেনথোইবা:- তাচৌ অদুদি য়াম্না নুংঙাইবা পাওনি, ঐখোয় সারহোয়গা ঐসু ঐখোয় খুন্দা য়াম্না থুনা লাক্কে, সারনা চৎলুসি হায়দুনতা লৈরে।

মনিখোন্বা :- হোয় হোয় লাকউ লাকউ, অদুদি ফোন থল্লগেকো।

ৰাংলেনথোইবা:- হোয় তাচৌ (ফোন থন্বা)।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, মফম: খুঙ্গং, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

মনিখোন্বা :- ঐখোয় থোঙ্গাল্লোমদা গাড়ী অমা থৌজিনলকইসিবো কনাগী গাড়ীনোনে (গাড়ী খামখিবা) হায়মা ঐখোয় ৰাংলেনথোইবগা মোয়গী সারহোয়, মোয়গী ইমুং-মনুং পুল্লপ হেক্তা হৌনরগা লাকঅমালেনে তৌরিসিদি ঙন্তানা হেক্তা, ঐদি ইমুং মাঙ্গোলগসিদি পুমচায় চায়রি কমায় তৌনি তৌরিসিদি।

মোমোন :- মনিখোন্বা ! নোয়গী খুঙ্গংসে য়েংনিংমনখ্রদনা ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা হৌনরগা লাকঅবনি।

লৈমতোন :- নোয়গী খুনসিদি ওন্থোক্লা ফজখরে, লক্ষ্মীগী চীদাইদা হৌরিবা চাওরবা উপালশিংনা মশা মরেং ফন্না শন্দোকখিদুনা অচৎ-অওক কয়াদা উরুম পীবতা নৎতনা অশেংবা নুংশিৎ-নুংশাসু ফংহল্লি, য়েংঙু য়েংঙুবা মফম খুদিংমক অশংবা উনা-ৰানা, উহৈ-ৰাহৈ, হৈপাল-লৈপাল, অস! য়েংবগী পেনবা নাইদে।

মনিখোন্বা :- মেদাম, পুম্নমকসে ঐখোয়গী খুনসিগী মীপুম খুদিংমক্না অমতা ওইবা ৰাখললোনগা লোয়ননা হোৎনমীন্নদুনা ঐখোয়গী খুন অসে মীপাল তাংদনা মরোমদোম লেপচবা ঙন্বা খুন অমা ওইজরক্লিবনি।

ৰাংলেনথোইবা:- সার... মেদাম... স্বাইদা হেক্তা চেয়রসে থারগে, ঙহাক্তং লেংশিনবীয়ু অদুগা অমুক ঐখোয় খুনগী সোলর ইনর্জি প্লান্ট, বাইওগ্যাস প্লান্টনচিংবা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসি য়েংঙুসি।

মনিখোম্বা :- ইবেম্মা চীংলেম্বী, কৈদৌরে ইচলদি অদুম লেপ্তুনা লৈরদি, ফম্মুদনা নঙসু।

চীংলেম্বী :- কৈসু তৌদে তাচৌ, ঐনা খনলুবগা তাচৌহোয়গী খুনসিদি পুমওন ওন্নরল্লে, মহৌশাগী খুৎশেম্নু নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা, অৱাৎ-অপা লৈত্রবী, মশা মতোমতা কনাগী মতেং য়াওদনা মরোমদোম লেপচবা ঙল্লিবী খুন অসিগী মীওইশিং অসে থাগৎনিংঙাইনি, খুন অসিগী মীওই খুদিংমক ইনভাইরোনমেন্ট অসিবু, মহৌশাগী অইং-অশাগী খল কায়হন্দনা থম্লবা ৱাখললোন চেনলম্বসে ঐদি হায়নিংঙাই লৈতনা অঙকপা পোকচৈ অসুম্না মীপুম খুদিংমক মশা মশানা গ্যান তারবদি সস্তেনেবল দিবলপমেন্ট গোলশিংগী পান্দম শোয়দনা ফংবা ঙমগনি।

লৈমতোন :- ঐ কৈনোমতা হংহৌগেনে ৱারী মরক থৎনা।

ৱাংলেনথোইবা:- করিনো মেদাম, মেদামনা হংনিংবদু হেক্তা হংবীয়ু।

মনিখোম্বা :- ময়াম ৱারী শাবীরম্মু, ঐ ময়াম থক্লবা চা য়াম থুনা ঐগী বাইওগ্যাস প্লান্টকী মতেংদগী লৌজবা গ্যাসনা লোনজরক্কে।

লৈমতোন :- সস্তেনেবল ইনর্জিগী সোর্চশিংগী মনুং চনবা নৎতরা বাইওগ্যাস অসিসু অদুগা ৱাংলেনথোইবা সস্তেনেবল ইনর্জি হায়রিবা অসিসু রিনিউএবল ইনর্জি হায়বা অসি নৎতরা।

ৱাংলেনথোইবা:- অহোয় মেদাম, সস্তেনেবল ইনর্জি হায়রিবসিগী মনুংদা রিনিউএবল ইনর্জি মখলশিং হাইদ্রো ইলেক্ট্রিসিটি, বাইওমাস, জিওথর্মেল, ৱিন্ড, ৱেব, তাইদেল, সোলর ইনর্জিনচিংবা পুম্নমকসি চল্লিবনি।

মোমোন :- বাইওমাস ইনর্জি হায়রিবসিনা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং, শা-ঙা, শন্থি-শনয়ুং, পৎথ-পুমথরবা পোৎলমশিংদগী লৌবা ইনর্জি অদুবুনি, বাইওগ্যাস অসি বাইওমাসতগী লৌবা ইনর্জি হায়বদি বাইওমাস ইনর্জিনি।

মনিখোম্বা :- ময়াম চা থকঅসি, গ্রিন অমদি ক্লিন, সস্তেনেবল ইনর্জিগী মতেংনা লোনলকপা চাগী মহাওসে করম তৌগে অমুক্তা য়েংবীয়ু সার।

মোমোন :- (চা থকপা) হাওরে হাওরে মনিখোম্বা নঙগী ঙসিগী চাসে ময়েক শেংনা হাওরে।

লৈমতোন :- মনিখোম্বা ! নখোয়গী খুনসে সোলর ইনর্জিগী মতেংনা ইলেক্ট্রিকসিটি সপ্লাইবুদি ফজনা পীবা ঙল্লে অদুবু নখোয়গী খুনসিদি চীংখোং চীংয়াসু ওইবনিনা নুংশিৎকী শাফুসু অদুমক মরাং কায়না ফংই অদুনা ৱিন্ড ইনর্জি, নুংশিৎতগী ইনর্জি লৌনবগী থবকসু পায়খৎহন্নিংঙি।

মনিখোম্বা :- মদুগী থবকতুসু পায়খৎনবা মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংগদি তান্নজখরে মেদাম।

চীংলেম্বী :- (শুৎ শুৎ কপ্পা) দাদা ৱাংলেনথোইবা ঐ নঙোন্দা য়াম লানখরে (লোন্না হায়বা)।

ৱাংলেনথোইবা:- কৈনো চীংলেন্বী, নঙসে ওন্থোক্লা তাঞ্জা চাখিদরে ময়াম মমাংসিদা...।

চীংলেন্বী :- ঐনা নঙোন্দা হায়খিবা ঙাংখিবশিংদু সুম খল্লুরগা ঐসে লানখরে খঙজরকপগী কপনিংলকপা।

মনিখোন্বা :- ময়াম ঐখোয়গী খুঙ্গংশিগী লৌবুক-লমহাং অকোয়বগী ফীভম য়েংবা ওইনা খোঙনা সুম চৎতুনা ঙহাক য়েংলুসি।

লৈমতোন :- ঐদি নোয়গী খুনসিদগী হনবু হন্নিংদ্রেদা মনিখোন্বা, ইংখোল অমা লৈরগা য়ুম্বু শারসিরা খঙদরে।

মনিখোন্বা :- মেদামনবু লৈবীগে হায়রবদি ঐগী ইংখোল তংখায় অমা হেক্তা পীজরগে।

মোমোন :- হা মদুনবু ফরদরা, অশেংবা নুংশিৎ, প্রকৃতিগী ফজরবা খুৎশেমতনা থল্লবা মফমসিদা লৈজবা ফংবা হায়বসিদি লাইবক ফরবনি ঐখোয়দি (নোকপা) ।

-ম্যুজিক-